# চাওখৎ খোঙথাংগী হীরমদা লম্বী-থোং ফগৎহনবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

পূকচাক, ফিজেৎ, য়ূম অহুমসি মীওইবনা হিংবদা চঙবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাকশিংনি। অদুবু মতমগী খোঙজেলনা পুরকই অনৌবা অহোংবা কয়া। অহোংবসিদনি চাওখৎপগী লমজেল তান্নরক্লিবসি। লমজেলসিদা মীকোক থোংবা লমজেল্লোয় ওইগে হায়রবদি পূক থনবা, ফিজেৎ, য়ূম লৈরে হায়না পেন্থোক্তুনা লৈবা য়ারক্তে। পাঙ্গল অমদি লৌশিং অনীমক য়ং য়ং লাউবা মথৌ তারকই। অসুম্না হৌজিক্কী মতমদা করম্বা খুন্নাইবু চাওখৎপনি হায়দৌরিনো হায়বগী চোয় চাং ওনবা হায়বসি পঙলায় লায়বদি ওইদে। উপ্তা তারম্বা, লোংদা তারম্বা উনাশিং হাইদোক হাইদোক্তুনা থিবদা লায়রবা ইমুং ফংবা ঙমদ্রবা, মহৈ-মশিনগী হীরমদা য়েংলসু লাইরিক ময়েক চত্তবা মী লৈতবা, মী মশেন কল্লক-য়েংথী লৈনদবা, অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা, অচৌ-পিশক খায়নদবা - পূম্নমক অসি চাওখৎপা ৱাখল্লোনগী খুদম ওইফম থোক্তব্রা? মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা হুরান-চিন্থি, মীহাৎ-মীপূন হায়রিবা হিংবদা শৌবিং শৌবিং লাউবশিংসি জিরোগী থাক্তা লৈবসু চাওখৎপগী শরুক অমনি হায়বদা লাল্লি করম হায়গনি। অতোপ্পা অমনা ঐখোয়গী উমং-ৱামংনা পুমশং শংবা, পাৎ-তুরেলগী লাইজ ঈশিংনা তরু তরুবা মদুসু থোইদোক হেন্দোকপা চাওখৎপনিকো! অতিয়াগী লৈচিনবু তশেং তশেংহনবা, মহৌশাগী খলবু কায়দনা লৈহনবা, নোংজু নুংশা অমদি খ্বিতু মাগী খোঙচৎসু হোংহন্দবা হায়বসিমসু অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন অমদি ওইফম থোক্তব্রা?

মতৌ অসুম্না তাইবঙ লৈশেল্লোন অমদি মীহৌরোন্দগী হৌদুনা লেপ্নাইদনা চেল্লিবা চাওখৎ লমজেলদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরক্লিবশিংগী মনুংদা লম্বী থোং শেমগৎ শাগৎপসু মরু ওইবা হীরম অমনি। মদুননি লাইরেন তাউরোইনাইগী মজাইবেন্মা পান্থোইবীবু নোংচুপ মায়কৈদা লৈবা হাওকৈ খুলগী পিতিংকোই লম্বীনা পোকপা নিংথৌ শাপাইবগা লুহোংনবা হায়জবা লাকপা মতমদা পান্থোইবীনা শাপাইবগী মনাই লৈচোন হাওরাবদা অসুম্না হায়খি,

***তয়ুম লৈচোল হাওরাবা-ও, নবুংঙো নিংথৌ শাপাইবনা তমপা ঐগীদমক শাবা য়াংফং থুনঙম থোংবু ৱানা য়ামফক হারগা মাউবীনা ফোপ থাবা উনিংনা মখাদা কোয়না য়ান্দুনা পাম্বৈ শেম্বদি তমপা ঐগী মতিক চাদে। য়োংনা থোংখোঙ ওইরগা লুপানা থোংপাক ওইবা, অঙাংবা সনানা পাম্বৈ ওইরবতদা তমপা ঐগী ঈতিক চাবনি। (পান্থোইপী খোংকুল)***

পান্থোইবী মাগী অপাম্বা নিংথৌ শাপাইবনা পীবা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্না হায়বদুমক পাঙথোকপা ঙমখিবা কংলৈ নিংথৌ খাবা শোকচ্রোংবগী মপারি তরম খোইনুচাদা লুহোংখি। কনাগুম্বনা হায়বা য়াই মদুদি সনা লুপানা থোং শাবা হৌনদে, ৱাশেম ৱারীনি হায়না। মতাংসিদা থমজনীংবদি ৱাশেম ৱারীবু ওইগেরা, থাজ ৱারীনিবু হায়গেরা, চাওখৎপগী থাক লেপ্পদা লম্বী থোংসু য়াওই হায়বসি ময়েক শেংনা উৎপনি। উ-ৱানা শাবা থোংদগী য়োৎনচিংবা নোংজু নুংশা খাঙবা ঙমগদবা থোং শারকপা হায়বসি চাওখল্লোনগী শরুক অমনি তাকপনি। ৱাখল লৌশিং চঙখোনবী পান্থোইবীনা মহাকথক্তা লম্বী থোং ফগৎনবা পোরম পোমিৎ য়াৎলম্বগী ময়েক লারবা খুদমনি।

ঐখোয়গী ফুঙ্গা ৱারী অমদসু লায়রবনা পৎ তৎলবা লুখ্রাবী মচা অমনা নিংথৌগী মজাইবেন্মা অমবু পাম্মী, মঙোন্দা থাজনবা হায়বীরু চৎলু হায়দুনা মমাবু কোনুংদা হন্না হন্না থারম্মী। মচাগী চক্ নিংঙাইদা খাঙবা ঙমদবদগী নিংথৌগী চৈরাক ফংগনি খঙনা খঙনা কোনুংদা চৎলুবী লুখ্রাবী মমাদু লৈবাক নিংথৌদা উশিৎ থৌওইদবা মরাল লঙজবনি হায়দুনা নিংথৌ মনাইশিংনা তমথীনা ফূরগা তানবীরকখি। মদুমক্তদা মচাগী নিংঙাই লেপ্পা লৈখিদে। কোন্নথংদা নিংথৌনা অসুম্না য়াথং তাউথরকখি,

***হে লুখ্রাবী নুপী! নঙগী নচাগা ঐগী ইচাগা লুহোংসি হায়রবদি ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা নঙগী নয়ুম কোন্থোংদগী ঐগী ঈয়ুম শঙ্গাই কোন্থোং ফাওবদা লৈরিবা লম্বী অসি সনানা ইংগ্রি শীৎপা, লুপানা হিজং য়ৈবা লম্বী ওইহনগদবনি। মসি নঙনা ঙল্লবদি নচাদা ইচাবু পীদুনা অওং-অউন চাউনা তমদুনা লুহোংগে, করিগুম্বা ঙমদবা মতাং থোক্লবদি নমা নচামক অঙাং ওলহনগনি।***

নিংথৌগী অকনবা য়াথং ফংলবী লুখ্রাবীদু শোয়দনা শিরগনি খন্না কপ্পা কপ্পা হল্লক্লগা মচাদা পাউদমখি। অদুবু তম্ফা খূদোপ য়াইওইবীগী মতেংনা নিংথৌনা হায়বদুমক পাঙথোক্তুনা নিংথৌগী মজাইবেন্মগা লুখ্রাবী মচাগা লুহোংদুনা লৈবাক নিংথৌগী মমাকইবুংঙো ওইবা ফংখি। ফুঙ্গা ৱারীনি, ওইথোকই ওইথোক্তে হায়না নৈনরুবগী মথৌ তাদে। লম্বী থোং ফগৎহনবা হায়বসি তঙাইফদে হায়বা পাউজেল পাউথাংসিনি মরু ওইরিবসি। মসি ইপা ইপুশিংনা তূংশিন্দুনা থম্বীরম্বা লৌশিং পূক্কৈনি।

লৈঙাক অমবু মীয়াম্না থাজহনবদা লম্বী থোং ফহনবসি য়ং য়ং হেক্তালাউগল্লি। বৃটিশনা ইন্দিয়া লোই চনবা ঙল্লন্নিবসি ইন্দিয়া মীয়াম্না য়াবগীনি। লম্বী থোংনচিংবা ফগৎহনবা, মহৈ-মশিংগী হীরম্নচিংবা চাওখৎনবা পায়খৎলম্বা থৌরাং কয়ানসু মখোয়বু শৌগৎপা মীওই কয়া লৈরম্বনি। খুদম অমা পঞ্জরবদা খৃষ্ট কুম ১৮৫০দা বোম্বেদগী থানে ফাওবা রেল লম্বী ফাওহনখিবদুনি।

চাক্লি ফিনিবা ময়ূম মকৈ লৈতবা ময়াম অমা প্রিক-প্রিক শৌনা লৈবদু লৈঙাক্কী অশোনবনি হায়না লৌনদবগুম তৌই। মদুগীদমক থৌশাবীবা মী ইরৈ লৈতে হায়বা য়াই। লম্বী থোং ফত্তবগী ঈথক ঈপোমসিদি কনখ্রে কনখ্রে, হায়নীংঙাই লৈতে। তৌববুদি ইশা ইথন্তা ফ্র ফ্র হাইবী উরোকথোং লানবা মতমদা ষণ শানা চৎপা মতাংসু য়াওরিপোৎনি। মদুই ৱাদি শামুনা থোং লাল্লমদাইদা মখোঙনা নেৎ নেত্তুনা লানবা য়াগদ্রা, য়ারোইদ্রা হায়না চাংয়েং তৌরিবনি। ঐ খঙদে মী খঙদে লৈখোম লৈনাংনা খূকউ য়ৌনা পূথদবা, লৈকূৎ তেংকূৎ লৈতবা, উফুল-ৱাইফুল চেন্দবা, শিৎ নানবা লম্বীদা চৎনীংবা হায়বসি হৌনশানি। অহল লমনশিংনা তাকপীবদা মতম অমদদি লম্বী সড়কসি লৈখোম লৈনাংনা শৃৎ-শৃৎ নান্থুবদা ৱাই হৈজিল্লগা চৎলি হায়। মদু নুংঙাইবা হৌনদে।

ইশম হেক শম্না লম্বী সড়ক মওং তাদবসি এ সী খরগী এম এল এদি ইলেক্সন লাকপদা লম্বীগী কোমকুৎ কোমকুৎতু মোঙফমগী মশক ওইবসু অদুম য়াওনৈ। মমাঙ চহী খরদগীনি মণিপুরগী লম্বীশিংদা গাড়ী তোংলগা চৎপদা চাকখাউ ফিরাক্লচিংবা চোংথোকখিদ্রা হায়না মিপাইবা মপা য়াম্না য়াওবজাৎনি। পেন্দ্রবা মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী থিংবনচিংবা ইহৌ ময়াম অমা উখ্রে। ঐখোয়গী ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পঞ্জরবদা ককচীং লমখাই হেক লানশিল্লকপদগী শুগুনু ফাওবদা ওইরম্বা ফীভমদু ইচিনসিদা পনবু পন্নীংদে, পূম্নমক্লা খঙনরবনি। অদুবু হন্দক্তি ইঙক ঙকই, খংপ্রেক খংই, চহী অমরোম পি আর লৈঙাক থল্লুরবা মতুংদা হন্দক্তা ফৎ লৌথোকখি। অনৌবা লুচিংবা অমগী মখাদা শেম্বা লৈঙাক অমা খংলাক লাকই। নোংঙান্দে হেক হায়বা য়াই, চৎকনি খনবদা লাইমন কাঙলম্বা লম্বী খরা মচু তানা শেম্বা হৌরক্তুনা মীৎসু পূক্নীংসু হরাওহল্লক্লে। মথং মথং শেল্লকপগী আশাসু উবা ফংই। মতাংসিদদি হায়নীংলকই - অমসু অমসু ৱাথোক লান্থোক থোকহনবীরক্কনু, অফবা লম্বী থোংগী মহাউ লৌমিন্নরসি। ●

# লাইগী লৈবাক শেমগৎলকপা

- নবকুমার ওইনা -

... অদু ওইরবদি থাদৌ হায়বসিনা নাওন ওইরগা কুকি হায়বসিনা এদজেক্টিভ ওইবা তারিব্রা? মৈতৈনা নাওন ওইরগা মণিপুরীনা এদজেক্টিভ ওইবা তারক্লি। মোইরাংদি, খুমনদি করি ওইবা তারি, ইন্টরজেক্সনদা লৈরে। এদজেক্টিভতা লৈবা কাঙলূপ য়াল্লি, ভার্বতা লৈবসু য়াওরম্বা য়ারি।

লাইগী লাইরিকশিং অসি ৱাখল করম্না খন্থগনি হায়বা তম্নবা তাকপা লম্বীনি হায়বসু লৈ। অপঙবশিংদা করি তৌগদগে থবক ওইনা তাকপদু লাইগী লাইরিক ওইখ্রিবনি। হৌজিক্তদা চানদবা ময়াম য়াওজরকপগী ৱাতনি। নিংথৌ লৈঙাক্তি চৎনদ্রে, নিংথৌ শাজক্তা ঙাঙনবদুগী লেমহৌখাক খরনা পংঙাঙদা ঙাঙজবদু থাজনখিদ্রা হায়বা য়াওরকখ্রে। লাই হায়বসি চুল্লবোইতা খন্নরম্মীবনি, ৱাখল খন্থনবা হৈরবা মতম অসিদদি অতোপ্পা লাই অমা লৈতে খঙলবসু থাদোকপা ঙমজদবা ময়াম লৈরিবনি। তোংজবা খরা ফংবগীদমক অচুম্বা ৱাদু হায়জবা ঙম্নদ্রিবনি। খুদোংচাবা লৌরিবশিংনদি লাইগী ৱাসি ফোংনা ঙাঙনবা পামদবসু লৈ, ইকায়বা ফাওবসু মাল্লক্লি। লাইনীং অয়াম্বনা মী খোম্বা য়ানবা কোইনা-কোইনা ঙাঙবা, শুম্বা য়ানবা পঙথহনবা, নমদুনা খলহন্নবা তৌবা য়াওরিবনি। ঈ ফাওবা চূপ্লগা হিংবা ঙল্লিবা কাঙদু মিরাংদা থুরগা অমগী চীঞ্জাক ওইখ্রিবনিদনা।

গীতা পাবা মীনা বাইবল পাদ্রবসু য়াই, বাইবল পাবা মীনা গীতাদু পাদ্রবসু য়াই; কুরান পাবা মীনা অনীমক্তু পাদ্রবসু য়াই, অহুম্মক্তু পাদ্রবসু মী অদুম ওইবা য়ারিবনি। কাঙলূপ অহুম্মক অমনা অমবু য়াবা লৈতে, খায়দোক্লরি, পুন্দনবা নাৎ ওইরি। অদুনা মালেমগী মচি মচি খুদিংমক্তা লাইনীং হায়বসি থাদোক্লররক্লিবনি। শিথরক্লবা খরনা পঙলাংদা লাঙবা উনরিবনি। মীওইবগী চাওখৎ লমজেলদা খোঙদা শম য়েৎপা নৎত্রগা খ্বাংদা নুঙ য়ানবগুম শিখাঙ খাঙনবা য়াওনরিবনি। মশা য়াওরবা আই টিগুম্বগী খোঙজেলদুবু উনা-উনা, ঙাঙবদদি চিনগা খূৎকা মান্নদ্রিবনি। লাইনীং হায়বসি লূপ শাগৎপা, মমৈদা লৈবাক শাগৎপা ঙম্বগী থৌনা পীরম্মীবনি। হৌজিক্তনা হাৎনবগী লানবুং শেমগৎপা ওইনা উরে, ঙসি ফাওবা তোক্লদ্রিবনি।

লৈবাক হায়বসি মীওইবগী হৈনবীদা লৈমায় কল্লগা মরন্নাই শেম্নরকপা শাজৎ অমনি। অদুমক চুল্লগা লৈগনি হায়বসু লৈতে, হুরান চিন্থীসিদং তোক্লরক্লবদি ঙমখৈ হায়বসি লৈনরক্তবসু য়ারিবনি। থাজবদি ৱারি। খুন্নাই অমা শাগৎপদদি মী চংই, কাঙলোন চংই, থৌনা অমসু চংই। হিংবগী তঙাইফদবা ময়াম্না লৈবাক অমা শাগৎলকখিবনি। শা-কৈ ময়াম শাথেংনরকপা, চাবা ফংনবা কোয়না থিনরকপা ময়ামসিনা লৈফম শেম্নরকপদা অপুনবা খুন্নাই ওইরকখ্রবনি। থৱায় পানবা খুদিং তূমিন্না লৈবা য়াদে, হিংবা হায়বসি লেঙবদুনি। পা-পী থিনরকই, চাদা-নাওদা শন্দোরকই, মশীং হেনগৎলকই, মহৌশাগা শাথেংনবসু হেনগৎলকই।

ঙসি ফাওবদা মীওইবগী কোক হায়বসি মপূং ফারবা নৎত্রি। থবক শুনীংদবা, মুল্লগা চাবা পাম্বা অদুমক য়াওনরি। মী ওইরবসু হেক পোকৈঙদগী য়াওরক্লবা শাগী শাজৎ অদু লোয়নমক হুন্দোক্লম্বা ঙম্বা নৎত্রি। লমদম অসিদি শেমগৎপা হৌগৎলকপগী শৈহৌদা অদুমক লৈরি। চনীং তারবা খুন্নাই অমগী থাক য়ৌগদৌবা য়াম্না ৱাৎলি হায়গনি। অৱা-অনা কয়া খাঙখিবা তারি, কনা অমগী হৈবা-হৈতবা, লৌশিং ৱাৎপগী ৱাশু নত্তে, তোৎশিন্নবা লোইদ্রিবগী মরক্কী শৈফম কয়া ঈশৈ ওইনা শক্লখিবা তারি। লোল ফাওবা হার্মোনিয়ম তাদ্রিবা হায়বসি লৈঙাক্তসু অদুমক চৈথেং লৈখিগনি। মীগীসু ঈচাও থোকই, পোপ্যুলেশন এক্সপ্লোশন থোকপা নত্তে, কোম মচা মচাশিং থুমজিনখিগনি। মী কৌবনিনা ঈথক-ঈপোম-ঈরাওখোল অদুম থোক্কনি। নোংমা নীনিদা, চহীদা হেক্তা নেমথগনি হায়বসু লৈতে। চহী চহুমদা হৌগৎপা ঙমদবা লৈরিবসিনি, চক কয়া চংগনি খঙদ্রি, ঙমদবসু য়াই। তম্বীবা হৈত্রিবগীনি, করি তৌগনি খঙদ্রিবগীনি, মিং চৎপা মুন্নবগীনি।

ইশম শম্না মীওইবগী শিন্থা করিনো খঙলবা নৎত্রিবনি হায়গনি। লৈঙাক্লোন ঔরায়বতনা য়ারোই, কোক ঔরায়বা চঙই, পুকচেল শেংবসু চঙই, ৱাখল পাকথোকপা তঙাইফদনা চঙই। মিৎয়েং খুরবদি য়াম্না উবসু ফংলোই, হৈবসু ঙল্লরোই, লৈবাক শেন্বসু ঙল্লরোই। মহৌশাগী শক্তম ময়ামসি অসুম ওইদুনা লৈগনি হায়বসু লৈতে, নোংলৈ অমদা পুম্নৌ নৌবা শক্তম অমা ওইরকপসু য়ারিবনি। পূম্নমক মীওইবগী কোক্তা লৈ হায়গনি। মরক অসিদা ঐ অমসুং ঐখোয় হায়বসি করম্বা মওংদা লৈনীংবনো হায়বদু শেম্নরিবনি। চাইনা-জপানদি আ য়ৌখ্রে, ঐখোয়না মুকশন চংলগা লৈহৌরে, করি তৌগদৌরি?

লাইনা হায়রম্বসি অফবা ঙাক্তনি, অচুম্বনি হায়না থাজদুনা অদুম লৈগদৌবনি হায়বসি খরা পঙবা কাঙলূপ মাল্লক্লবনি। লম খরদা লাইগী ৱারীদা মতম মাঙনদ্রবনি। হোংবা নাইবা তাইবঙদা হোংবা ঙমদবনি হায়রগনি। মশানা খঙজদ্রবসু মায়কৈ অমদদি পূন্না হোংলিবনি, থিংবা ঙম্বা নত্তে। লাই হায়বসি খঙনদ্রবদি ৱা য়াম্না ঙাঙনগনি, খঙনরকপদগী ওইবা তারি, ৱা ওইনা ঙাঙনদ্রে। খুদম ওইনা, মপুরোইবা লৈত্রবা নুপীঅমনা ময়ূম অমুক পানবদা লাইনীং কয়ানা য়াই। মদু য়াদে হায়রবদি লাই খঙদবনি হায়রগনি। নৎত্রগনা, নুপীদু নুংশিজবা ওইবসু য়াই, নুংশিদবা ওইবসু য়াই। অদুবু মীয়ামগী খনবদি তমগদৌবনি। মমৈদদি লাইদু মীনা ঙম্নরক্লিবনি।

"য়েন্দুনা মীদৌনা শিংলবদবু কাওনখিগদ্রা?" হায়বসি লাল্লি "মীদুনা য়েনদৌনা শিংলবদি কাওনখিগদ্রা?" হায়বসু য়ারক্লিবনি। মরমদি য়েন কাওনবদি মীনা ইনশিল্লগা কাওনহনবনি, মী খরগী অপাম্বনি, মখোয়গী থৌশিলনি। অদুনবু লম অসিদা কাওনরিবনিদনা, হাৎনরিবনিদনা। মীদসু য়েন মানবা ময়াম লৈরবনি হায়বা তাবনি। লৈবাক অদুদি কমদৌবা তাবা, খৎনরবদি মী লৈরে হায়বদি খঙলে। খৎনদ্রবা মনা-মনিল নাইদ্রবদি মী ওইবা মী লৈরমদবসু য়ারিবনি, হায়বদি মনা-মনিল নায়দনা লৈরকখিবা চহী চাম্মসি (মীনা তৌবদু নত্তবা) মী ওইরক্তবনি, মী মান্দ্রবনি হায়রগনি। লাইদা থাজরগা লাই লৈবাক হায়বা অমা লৈবা য়ারোই, ধর্ম্ম চেনবনি হায়বশিংনা লাইগী লৈবাক ফংলোই হায়বসি ধর্ম্মগী লাইরিক্তা য়াওবনি। মশানা থাজজদবা অমনি, তৌশিন্নবনি, চাউজবনি। মী মরক্তা কৈশাল য়াওরক্কনি হায়নসু হায়রিবনি। লাইগী তাইবঙপান অমা লৈতেসু হায়রক্লিবনি।

নুমিৎ-থাদি অদুম লৈগনি, মালেমসি কায়দ্রিবা ফাওবদি লৈগনি। মাগী-মাগী লৈবাক হায়বসু লৈখিগনি। মদুদনি করম্না হিংখিগে হায়রিবসি থাজসিগে? চহী চহুম কোয়চায় চায়রগা লেল্লক্লবসিদা করি অমুক থাজবা ঙমখিগদৌরি? মাইচৌশিংদু নীংশিংলগা করি তৌখিগদৌরি? তমগদৌরিবসি চেনবদুরা, লোৎপদুরা, থুপ্পদুরা? মদু খঙদনা লৈবাক অমা খুল্লিংবা ঙমগদৌরিব্রা, থাজনরোই হায়গনি। শম খাকপা, কোই কক্তবা মতৌ তম্লগা ৱাখল থোক্কদৌবা নত্তে, শম-কোই ককপা শংদবমখৈ ৱাখল খল্লু হায়বা ওইগদৌরিবনি খল্লি। হিক য়োক্লগা নুপী শাবদি ওইরোই, থৌনা লৈরবদি ইমালোলদা মিংথোনবা লৈবাক্তা লৈবা করিগী ফংদ্রিবনো? খন্থজৌ হায়বা ওইরমগনিদা। মাইচৌশিং অদুদা ময়াংলাইদৌনা ধুপ থারগা খুরুম্বা অদুদি নন লোকল ওল্লব্রা হংনরকপদুনি। ইপা-ইপুদি খুরুমগদৌবা নত্তে, নীংগদৌবনি। নীংশিংশন্নবনদি য়ারোইদৌরি। পঙবদগী পঙতৌ তৌশিন্নবনি খঙলবদি তৌশিন্নগনু। চাওজরিবদুগা, ঙাঙজরিবদুগা অখঙবা কনানসু থাজবীরোই।

হান্নগী লাইশিংসি নীংদ্রবসু লৈবাক শেম্বা য়ারবনি হায়বসি নাতোন শুমাংদা লৈরবসু উদবদুনি। মিংশেল য়েংদবীদা ওইদ-পাদা পংঙাঙদা ঙাঙনবা মাল্লকপদুনি। মিৎকুপ খুদিং খুদোংচাবা লৌনরিবা মতমসিদা কাঙবু অমনা ৱা ঙাঙবা ঙমজদ্রিবনি। তূম্বা হৌগত্তবসু ওইবা য়ারি। থৈরগা পুগে হায়বগী লাংবা ওইরল্লবদি করম তৌবা তারক্লিবা? থাদৌগা কুকিগা শেংদোক্লবা ঙল্লে, মসিদা লাইগী ৱা য়াওদে। মৈতৈগা কুকিগা য়েৎনরিবনা করিগীনো? কুকিনা য়াগনি খল্লুবরবনা করিগীনো? লৈঙাক্লোনগী চহী পাবদি মহৌশানি, চংশিল্লকপা খুদিংমক য়ারগনি হায়বদি লৈতে। কবো তম্পাক পীথোক্লমদ্রবদি খোংজাইশিংদি কংলৈপাক্কী মনুংদা লৈগদৌরিবনি। পন্দিট নেহরুনা থাদৌ নিংথৌদা হায়রম্বদু কয়া ফজদে, মৈতৈগা কায়নৌ হায়বনি। থাদৌ নিংথৌনা য়াদে হায়বসি ফজবা ৱাখল্লোননি। মসিদসু লাইনীংগী ৱা য়াওখিদে। লাইনীং মান্নদবা খরনা তোখায়না উজরবসু থাদৌ নিংথৌগী মতৌ তম্নফম থোকই। মৈতৈগী মতৌতা তমগদৌবনি হায়বা লৈতে। ●

# রমজান থাগী মরু ওইবা ৱাফম খরা

- জৈনুল্লবুদ্দিন নোংজাইময়ুম -

***বিসমিল্লাহ হিররহমা - নিরহরহিম,*** ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংগী এবাদৎ "মপুবু নীংজবা" মখল মঙা লৈবগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা এবাদৎ অমনি রমজানগী রোজা। ইস্লামগী য়ূম্বী মঙা মাগী-মাগী মফম মতমদা লোইনা পাঙথোক্নে। এবাদৎ মখল অমত্তা, (অমল মখল অমত্তা) থাদোকপা য়াদে। ইস্লামগী য়ূম্বী মঙা (১) ইমান (২) নমাজ ৯৩) রমজানগী রোজা হেনবা (৪) জকাৎ পীথোপা অমদি (৫) হজ্জ তৌবা।

রমজান অমদি মসিগী রোজা, ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংগী য়াম্না মরু ওইবা অমনি। রমজান থাগী মতিক-মগুণ থাসিদা ফংগদবা নেকী শৱাব (মহয়) অতৈ কান্নবা ময়াম, অতোপ্পা থা ১১দা ফংবা ওইথোক্তে হায়রি। রোজা মপুং ফানা হেন্দুনা থাসিদা অল্লাহ মপুগা নকশিন্নগদবা, নুংশিবীগদবা গুনাহ পাপশিং কোকপীনবা এবাদৎ মখল খুদিংমক ঙল্লিবমখৈ তৌহৌগদবনি। মোমীন মুস্লমানশিংগী ওইনদি রমজান থা ফংনা-ফংনা, ঙম্না-ঙম্না, খঙনা-খঙনা, রোজা হেলহৌদ্রবদি অফবা এবাদৎশিং তৌদুনা লংজখিবা, গুনাহ পাপশিং কোকপীনবা জন্নৎ ফংনবা, দুজখক্কী মৈকোন্দগী কনবিনবা অল্লাহদা হায়জ-নিজ হৌদ্রবদি য়াম্না লাইবক থীবা ওইগনি হায়রি।

রমজান থা অসি অল্লাহ মপু অচৌবগী মায়কৈদগী ঐখোয়গীদমক্তা পীবিরকপা য়াম্না চাউবা খুদোল অমনি। খুদোলসি ঐখোয়না মফম-মতম চানা ঙাইরগা লৌহৌরবদি শোয়দনা ফংগনি। মফম-মতম চানা ঙাইদুনা লৌহৌদ্রবদি ফংলরোই। মরমসিনা নবী ইবুঙো "স্ব" না রমজান থাবু থা কয়া ৱাৎলিঙৈদগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরম্মী। ঙসিসু থাসিগী মতিক-মগুণ কন্নবা মুন্না খঙবা মীশিংনা রমজান থাবু খৌরাংনা ঙাইদুনা অফবা অমল এবাদৎ তৌনবা হোৎনরি/ঙাইনরি।

কনাগুম্বনা থাসিদা নফল ওইবা থবক অমা তৌরবদি অতৈ থাদা ফরজ অমা তৌবগী শৱাবকা মান্নগনি, ফরজ ওইবা থবক অমা তৌরগনা অতৈ থাশিংদা ফরজ হুম্ফুতরা তৌবগী শৱাবকা মান্নহনবীগনি। থাসিদা রোজা হেল্লিবা মীওই অমদা পীজ-পীথক তৌবগী শৱাবসু য়াম্না চাউই। মরমসিনা ইনাক কৈরাক খুনবশিংনা লায়রবশিংদা, লুপা-পৈশা, পোৎ চৈনচিংবা মখল কয়াগী মতেং পীনরি। কনাগুম্বা অমনা রোজদরসিদা লৈজবা চান-থক্লবা খরনা ইফটার তৌহনবীরবদি রোজাদার অদুনা ফংবা শৱাব 'মহয়' অদুদগী তাদনা পীবিগনি। "মরমসিনা লৌমীশিংগী পোইনু থা লৈবগুম, মোমিন মুস্লমানশিংগীসু রমজান থা অসি মপূং ফানা রোজা হেল্লবা, অতৈ অফবা অমল এবাদৎশিং মপূং ফানবা তৌদুনা  নেকী মপুং ফানবা তানশিল্লবদি, লৌমীশিংনা পোইনু থাদা মখোয়গী ফৌগী লৌবুক্তগী ফৌ-চেভ, মহৈ মরোং মরাং কাইনা লোকশিনবগুম্বন। অদুগা রোজা মপুং ফানা হেলহৌদ্রবা, অতৈ নেকী শৱাব ফংগদবা এবাদৎসু য়াম্না তৌহৌদ্রবদি মরাইবক থীরবনি হায়রি।

রমজানগী রোজা হেনবা থোইনা অরুবা নত্তে। শুপ্নগী কাঙলোন খরা ইল্লগা, চাবা-থকপা, পোত্থাবগী মতমদা অহোংবা খরা লৈবতনি। রোজা হেল্লিঙৈদা তৌগদবা-তৌরোইদবা ৱাফম খরদি ঐখোয়না ঙাক্কনি। মসিদি অরুবা নত্তে। পোৎলম খুদিংমক মাগী মাগী মপুশিংনা শেমদোক-শাদোক্লগা কান্নবা লৌনৈ। সনা-লুপা, য়োৎ মপু-মপুনা মৈদা ঙাংনা ইক্লগা অচৌ অচৌবা নুংথঙশিংনা ওন-ওন্দুনা থোল্লগা পেত্থোক নৌথোকহল্লগা শেম্নিংবা ওইহন্নীংবা মওংগী পোৎশকশিং শানৈ অদুগা কান্নবা লৌনৈ। হৌজিক্তি কান্নবা ফংলে। অদুনা মাগী-মাগী মপুশিংনা পোৎলমশিংদু চেকশিন্না নুংশিনা শীজিন্নৈ, লুনা চান্না থম্মী, মাঙখিদনবা হোৎনৈ।

অসুম্না কালেন্থাগী শারবা নুংশাগী মৈশাদা রোজা হেন্দুনা অরাম খৌরাংবা অৱাবা, নুংঙাইতবা, চাবা-থকপগী, তূম্বা পোত্থাবগী মতম খরা ওন্নবগী ঐখোয়দা নুংঙাইতবা খরদি পীরি। মসিদি অৱাবা নুংঙাইতবনি লৌগদবা নত্তে। অল্লাহনা য়াবীনবগীদি মসিদগী হেন্না অৱাবা খাঙফম থোকই। তাইবঙপানগী চৎনবীদসু ইৱা ৱাদনা সনা-লুপা, মনা-মথুম ফংবা লৈতে। আবা য়াম্না খাঙলিবমখৈ ওইজবা ঈজৎ ফংবা হেল্লি। অখিরৎকী লোইবা নাইদ্রবা পূন্সি অমদা অল্লাহ  তাআলনা শেমদোক্তুনা থমখ্রবা অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রবা মহাক্কী জন্নত্তা (শ্বর্গদা) থম্বীগদবা মীওইশিং অদুগীদি মসিদগী হেন্না ৱাবা তাই। মীওই খুদিংমক হৌখ্রবা পূন্সিগী মতম্থু শোয়দনা নীংঙমদবা লাক্নে। মসিদগী ঐখোয় চেকশিলহৌসি নমাজ মতম চানা শেলহৌসি, রমজান রোজা মপূং ফানা হেলহৌসি, অল্লাহ তাআলা অমদি মহাক্কী রশুল 'স্ব' নুংশিনবগী সনা য়াথং পাউতাকশিং মপূং ফানা ইন্দুনা দুনিয়া অমদি অখিরৎ অনীদা ঈজৎ মায় পাকপা ফংনবা হোৎনহৌসি। রমজানগী রোজা হেনবদা লায়রবা, ইনাকখুনবা, নিংথৌ, লৈঙাক্কী থবক তৌবা, সিফাই খনবা, রিক্সা থৌবা, নোংমগী চরা তান্দুনা ৱানা চাজরিবা খুদিংমক্তা কোমথোকপা লৈতে, চপ মান্ননা ফরজ ওই। মুন্না খন্থহৌসি।

অৱাৎপা ৱাফমশিংদি অখঙবশিংদগী নৎত্রগা ফজাইলে রমজানদগী খঙনবা হোৎনসি। তোল্লবা গুনাহগারনা খরা খজিক ইজরিবা অসিদি ইশাদা অমল তৌনীংবগী অপাম্বা খরতা ওইরবসু পোক্লবা ইজখিবনি।

রমজান থাদা হুরান-চিন্থি, নিশা চাবা, থকপা, নুপী অঙাংশিংদা নত্তবা লমচৎ চৎপা, চিন্থিবা, ওইদবা ঙাঙবা, মীগী ফত্তবা তৌবনচিংবা হান্নদগী ইস্লাম্না থিংবা থবক খুদিংমক থাসিদনা হেন্না কন্না থিংই। খৎন-চৈনবা, লান তৌবনা চিংবা থাসিদা তৌনদে, থাসি শান্তি অমদি শবর ইং-তপ্পগী থানি। মসিগী মহুৎনা জান্নৎনি "শ্বর্গনি" হায়বিরি। ঐখোয়না রমজান থাগী চৎন-কাঙলোন মপূং ফানা ঙাক্লা চৎলবদি ইস্লাম চৎপশিংতা নত্তনা অতৈ ফূরুপকী ইচিন ইনাওশিংদসু য়াম্না কান্নহনগনি। ৱাথোক লৈতবা শান্তিগী লমদম ওইগনি।

থা অসি লাকপদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ, কাঙলূপ খুদিংমক্তা নুংঙাই য়াইফবা, শান্তি, চাওখৎপা, নুংশি চান্ননা হান্নদগী হেন্না নুংশিননা লৈমিন্নবা ওইরসনু। ঐখোয়গী অপাম্বা অৱাৎপশিং ফংহনবীনবা। মণিপুর অমদি মালেমগী লৈবাক খরদা থোক্লিবা অকিবগী মশক ওইরবা লানশিং লোইশিনখিনবা, ঐখোয় পূন্না থম্মোয় শেংনা তাইবঙ মপুদা হায়জ নিজহৌরসি।

*"নৈনজখিবা লাইরিক ফজাইলে রমজান"* ●